HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




স্বচ্ছতা হি সেবা ২০২৫গী শরুক অমা ওইনা রিমসতা নুমিৎ নীনি চথখিবা স্বস্থ ষ্টুদেন্টস কেম্পকী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা মকোক মথং তারবা মহৈরোয়শিংবু মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখিবা


থম্মোয় পাউদম : ইরমদগী মীরমদা - ৫ লামায় ২

লামায় ৪ য়াম্না কনবা, কুইনা চৎপা লৌ হীদাক!

লৌউ-শিংউবদা এন্টোমোপেথোজেনিক ফঙ্গিশিংগী ... লামায় ৫

লামায় ৬ মফম কয়াদা লূপ কয়ানা লাংবন হৈশোই চরা তম্বগী...

সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা লোল অমত্তা নম্ফুদা... লামায় ৯

লামায় ১২ রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী রিসব ...


কছারগী লেংওন্দবী পাৎ প্রিজার্ভেশন এন্দ দিভেলপমেন্ট সোসাইটিনা অথৌবশিংগী লিক্লম থিবা লূপ, মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা ইনিংথৌ নরসিংহগী মীতমদা লাংবন হৈশোই তম্বদা স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতনা শরুক য়াখিবা




Vol. 49, Issue No. 171 | নিংথৌকাবা, মেরাগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, September 22, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


অঙাং উন্নবদা ঙাইরিবী মৌনহা ১ য়াওনা পেসেন্ট ২ মথং-মথং শিবদগী রিমসতা কুপ্পে তারে

# খোইশাওনরবা মীয়াম্না ফূবদা ডাক্তর ১ আই সী য়ুদা লায়কন্নখ্রে মৌনহা লৈখিদবগী মায়োক্তা জে এ সী শেমদুনা অরোইবা মতম থাখ্রে

**ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএশন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরদুনা ব্লেক বেজ থেৎলগনি অমসুং সেপ্টেম্বর ২৩দা মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী মমাঙদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লগনি, রিমসকী রেসিদেন্ট ডাক্তর এসোসিএশননা খুদক্তগী লায়েংশঙ অসিগী মেদিকেল সর্ভিস পূম্নমক মতম কক্তনা লেপ্পবা ৱারেপ লৌরে**



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :** অতেনবা মতমগী মনুংদা রিমস হোস্পিটালদা পেসেন্ট অমা লৈখিদবা থৌদোক থোকখিবদা ঙাইরিঙৈদা মশাগী চহী ৩৫ খক্তা শুরিবী চিংশুবম ওংবী নোংথোম্বম নিঙোল মঞ্জু, মপুরোইবা সী ঐচ নিরন কৌবী লিলোং চজিং অৱাং লৈকায়দগী মৌনহা অমা অঙাং উনরবা মতুংদা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদবা থৌদোক্কী মায়োক্তা খোইশাওনরবা মীয়াম হৌরক্তুনা রিমস হোস্পিটাল কুপ্পে তাখ্রে।

মৌনহা অসি লৈখিদবা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা হৌরকখিবা খোইশাওনরবা মীয়াম্না ফূবদা ডাক্তর অমা ফীভম লুনা শোকপদগী লায়েংশঙ অসিগী আই সী য়ুদা পুশিন্দুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক থোকখিবা লায়েংশঙ অসিদগী ফংলকপা পাউনা হায়বদা লৈখিদ্রবী মঞ্জু থা অসিগী ১৬তা এদমিট ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# ঈ সী আইনা ষ্টেট পূম্নমক্তা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা ‘স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন’ পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌনবা খঙহনখ্রে



**ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী) :** এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লবা বিহারদা অহানবা ওইনা ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ষ্টেট অদুগী অশেংবা ইলেক্টরশিংগী মশক অমসুং মশীং খঙদোক্লবা স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) পাঙথোরকখ্রবা মতুংদা মথং চহী ২০২৬তসু অসাম, কেরলা, পুদুচেরি, টামিল নাদু অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগীসু এসেমব্লি ইলেক্সনশিং পাঙথোক্কদবা অসিগীসু য়েংলগা লৈবাক অসিগী ষ্টেট পূম্নমক্তা লৈরিবা ইলেক্সন ওফিসরশিংদা চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা এস আই আর পাঙথোকপগী থবক হৌননবা শেম শাদুনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

ঈ সী আইগী মায়কৈদগী ষ্টেট ইলেক্সন ওফিসরশিংদা দিরেক্সন অসি পীরকখিবগা লোয়ননা কম্মিশনগী মায়কৈদগী লৈবাক শিনবা থুংনা অশেংবা ইলেক্টরশিং খঙদোকপা অমসুং অরানবা মওংদা ইলেক্টর ওইরম্বশিংবু খন্দোকপগী থবক অসি চৎলিবা চহীসিগী থেংলবদা মথং থা ওক্টোবরদগী হৌরগা নবেম্বর ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি হায়বসু ময়েক শেংনা তাক্লে।

কম্মিশনগী ওফিশলশিংগী মতুংইন্না চৎলিবা থা অসিগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ন্যু দেল্লীদা কম্মিশননা শীন্দুনা ষ্টেটশিংগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) শিংগী অপূনবা মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদসু কম্মিশনগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা সী ঈ ওশিংদা মখোয় মখোয়গী ষ্টেটশিংদসু এস আই আর পাঙথোক্লবগী থবক অসি নুমিৎ ১০নিদগী ১৫নি ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা হৌরগনি হায়বগী চেকশিন-ৱা ফোঙদোক্তুনা খঙহনখ্রবনি।

অদুগা শুংশোয় শোয়দনা এস আই আরগী থবকশিং অসি লৈবাক অসিগী অপূনবা ষ্টেট ২৮দগী বিহার খায়দোল্লগা ২৭ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ৮দা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা হৌরগনি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রিমস ওথোরিটিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক অঙনবদা লিলোং চজিংদগী চিংশুবম ওংবী মঞ্জু (৩৫) কৌবী মৌনহা অমা মহাক্কী অহানবা মচা ওপরেশন তৌদুনা উন্নরবা মতুংদা রিমস হোস্পিটালদা মখা তানা চথখিবা ওপরেশন অমগী মতুংদা লৈখিদবদা রিমস ওথোরিটিগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ইন্সটিট্যুট অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## গভর্ণরনা মেরা চাওরেল হৌবগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী মীতৈ ফূরুপ্পা পাঙথোরক্লিবা মেরা চাওরেল হৌবগী থৌরম হন্দক চহীগীসু হয়েং মেরাগী নোংমা পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মণিপুরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## রেলৱেগী টনেল মনুংদা চীং কিন্থরকপদা শিন্মী ১ শিরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস):** জিরিবামদগী টুপুল ফাওরগা ইম্ফাল য়ৌরকহন্নবা চহী খরগী মমাঙদগী রেল লম্বী শেম্বগী থবক চথরক্লিবা অসি হৌজিক ফাওবা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমদবদগী মখা তানা থবক শুরকপগী মনুং চন্না চীং হুৎলগা শেম্বা টনেল মনুংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঙসিদগী সাপোন, কোফি, অচাপোৎ, দাইপর, ঘী ১সুং থাওনচিংবগী মমল হন্থরগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :** হন্দক ফমখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ‘ন্যু জেনরেশন জি এস টি’ হায়বগী পান্দমদা চহী খরগী মমাঙদগী চৎনহল্লকখিবা জি এস টিনা কোনশিনবা পোৎলমশিংদগী লৌবা গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্সগী চাং শেমদোক শাদোক্তুনা অনৌবা জি এস টি-২.০ ওইহল্লক্লগা অনৌবা চাং অসি হয়েং (সেপ্টেম্বর ২২, ২০২৫) দগী হৌরদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনরগনি হায়না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না হয়েংদগী মীয়াম্না শীজিন্নরক্লিবা সাপোন, কোফি, দাইপর, বিস্কিট য়াওনা অচাপোৎশিং, ঘী অমসুং অচাথাওনচিংবগী মমল হন্থনা ফংলগনি।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লেপ্পা ন্যু জেনরেশনগী জি এস টি হায়বসিনা কোনশিনগদবশিংগী মনুংদা শম্পু, টুথ পেষ্ট, কোই কক্নবা ব্লেদ, কোই ককপা লোইরগা শীজিন্নবা লোশননচিংবা য়াওরি। অনৌবা জি এস টি অসিগী মতুংইন্না দাবর কম্পনিনা পুথোকপা রিএল জুইসকী লিটর অমগী পেকেটতা লুপা ১৩০ পীরম্বদু লুপা ১২২দা ফংলগনি। গ্রাম ৯০০গী চৱন প্রাশ লুপা ৪৭৫গী মহুত্তা ৪৪০দা ফংলগনি। দাবর রেদ অমসুং মেশ ৱার্ক ব্রান্দকী গ্রাম ২০০গী টুথ পেষ্টশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

পুংদোংবমগী থৌদোক : মণিপুর কনবা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

## লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোন তুংইনবনা মণিপুরগী ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি : ডা. নর

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্নরিবা ৱাথোকশিং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা খল্লম্বা ৱাখল্লোন অমসুং পামজরম্বা থবকশিংগী খুদুং ইল্লবা মতমদা পুরকপা ঙমগনি হায়না সী পি আইগী মরু ওইবা লুচিংবা অমসুং ইরাবত সিলেব্রেশন কম্মিটি, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. মোইরাংথেম নরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহৌশাগুম্না মীয়াম্না খঙনরক্লিবা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৮গী পুংদোংবমগী থৌদোক : মণিপুর কনবা নুমিৎকী থৌরম ইরাবত সিলেব্রেশন কম্মিটিনা লল্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মণিপুর কনবা নুমিৎ ওর্গনাইজিং কম্মিটিগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ৭৭লক শুবা মণিপুর কনবা নুমিৎকী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।



লল্লাইগী চলৌদা লৈবা ইরাবত পার্কতা য়াল্লবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা ডা. এম নরনা পাউমীশিংদা হায়, অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৮গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা লময়ানবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

কোটুনা চৈরমদা থোংখোঙ শারক্লে

## এ আরদা এম্বুশ : সিক্যুরিটিনা কন্না খোঙ্গুল লীরিঙৈদা চেন্নবা ফাদে হায়দুনা নুমিৎ ৩নি ইকনমিক ব্লোকেদ তৌগনি হায়রক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১৯গী নুমিদাংৱাইরমদা টিদ্দিম লম্বী পরিংগী নম্বোল শাবল লৈকায় মপাদা শকখঙদবশিংনা ৩৩-এ আরগী টিম অমদা এম্বুশ তৌরক্তুনা নাইব সুবেদার অমা য়াওনা পর্সনেল অনী লৈখিদবা অমসুং অতোপ্পা মঙানা শোকখিবা থৌদোক্তা চেন্নবশিং ফাবা-পুনবা ঙমদে হায়বগী চার্জদা কম্মিটি ওন ট্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) না হয়েং অহিং নোংয়াইদগী হৌরদুনা থা অসিগী ২৫ ফাওবা নুমিৎ হুম্নিগী ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি কোটুনা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লাউথোকপগা লোয়ননা এম্বুশ অদুমক নেশনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা থৌদোক্কি হায়রদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## দেঙ্গিগী কেস ১১৯১ শুরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাংৱাইরম লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গিগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ২০ থেংনখিবা থারগা ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা থেংনবা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস মশীং ১১৯১ শুখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মে ৩দগী ঐখোয় ইন্দিয়াগী সিটিজেন নত্তবদৌনা তৌরে : খাইদেম মনি



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা মণিপুরসু দেমোক্রেসি চৎলবনি অমদি নিংথৌগী মীওৎ মীনৈ মায়োক্নররোই হায়দুনা হরাওনরম্বনি অদুবু অফস্পা থমজিল্লক্তুনা লিশাং শিৎনা মীওৎ মীনৈশিং চথরক্লি অদুগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শুপ্নম লৈঙাক চথরগা নমথদুনা লাক্লি হায়না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী এক্টিং চ্যেরপর্সনসু ওইরম্বা সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

সিটিজেন্স ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা ফেষ্টিবেল শিনবদা থৱায় য়াওদুনা লৈরে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা হৌজিক তংদু-লৈতাদ্রিবা চহী অনী মখায়রোম লান অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই লিশীং কয়া লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা অমসুং হায়ৱেশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট য়াদ্রিবা অসি য়াহন্দুনা লানগী ৱারোইশিন পুরকপগী মহুত্তা লৈঙাক্না ফেষ্টিবেল শিনবা-লাংবরোমদা মায় ওনশিন্দুনা লৈরে হায়না য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই কে ধিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## স্পিকরবু ‘খোঙ্গুল লীবা’ মীংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :** ঙসি লাংবনগী থাশু নুমিৎতা অথৌবশিংগী লিক্লম থিবা লূপ, মণিপুরনা লেংওন্দবী পাৎ প্রীজার্ভেশন এন্দ দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (কছার), অসামনা পূন্না শিন্দুনা মণিপুরগী ইনিংথৌ নরসিংহনা লেংওন্দনা শিৎখিবা লেংওন্দবী পাৎতা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা লুচিংদুনা মণিপুরবু শেমগৎ শাগৎপদা অমদি ষ্টেট অসিগী অপূনবা শক্তম ঙাকপীরম্বা ইপা ইপুশিংগী মফমদা লাংবন হৈশোই তমখ্রে।

পাৎ অসিগা শাগোন্নরিবা চীংমাইদা লৈবা ইবুধৌ নরসিংহনা পোখাবীরম্বা থৌদুনুংদা হৈকৎ লৈকৎসু তমখি। লোয়ননা ইবুধৌদা কৎচরবা কোকথোন (কোকয়েৎ), ইবুধৌগী মতিক ময়াই হাপ্লগা ইরু ইঙেন চামথোল্লবা লানথাঙ অমসুং লেংয়ানবা লোয়ননা স্পিকরবু ‘খোঙ্গুল লীবা’ মীংথোল লাম্থোক্তুনা ইকায়খুম্নখি।

স্পিকরগী মায়কৈদগীসু স্কৱার ফিট ১,৪৪,০০০ পাক চাউবা লম লৈশিন্দুনা লূপ অনীদা মরী লৈনবা চে চাং খূৎশিন্নখি। লম অসি মণিপুর মীয়ামগী খক্তা নত্তনা মালেমগী মীয়ামগী তাঙলবা লন অমা ওইহৌরগনি হায়নসু স্পিকরনা ঙসিগী থৌরমদা শরুক য়ারখিবা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

মখা তানা লেংওন্দবী পাৎ অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিংদসু মহাক্কী মায়কৈদগী অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়নসু থাজবা পীখি।

## চুড়াচান্দপুর : খূৎশু-খূৎলায়শিং ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা চুড়াচান্দপুর পি এসনা কোল্লিবা তৈজাং খুল অমসুং মসিগী অকোয়বদগী খূৎশু খূৎলায়শিং ফাগৎলে হায়রি।

ফাগৎলবশিংদি মেগজিন অমগা কোন্নবা ইন্সাস রাইফল অমা, মেগজিন অমগা কোন্নবা এ কে ৪৭গী শেমদোল্লবা রাইফল অমা, মেগজিন অমগা কোন্নবা ৯ এম এম পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল লোকলমেদ অনী, লোকল মেদ পোইন্ট ২২ রাইফল অনী অমসুং মেগজিন অমা, লোকল মেদ মোর্টার অমা, এ কে ৪৭কী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ২০নি হায়রি।

## অহল ১ থৌরী য়ান্দুনা শিরক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.১৫ রোম তারকপদা মোইরাং পি এসনা কোনবা ওকশোংবুং মমাঙ লৌকোন্দা হৌবা উ অমদা ওকশোংবুং লৈরেঞ্জম লৈকায়দগী হেমাম কুমার (৬১) কৌবা অহল অমা থৌরী য়ান্দুনা শিরক্লে হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা অন নেচরেল দেথকী কেস অমা লৌখৎলগা লৈখিদ্রবগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌনবগীদমক রিমসকী মীরেলশঙদা পুখৎলক্তুনা থমখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগী কিদনিগী অনাবা মায়োক্নরকখিবা ইচানুপা লায়েংবীবা নংহৌদবদগী খাঙুথক্তা মপূন্সি লোমখ্রে

*রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী*

**হকথেংনবা পাউদম**

মোরে ৱার্দ নম্বর ৭তুগী খুঞ্জা

**(ঙরাংগী মখা...)**

নীংথিজনা লায়েংবীবা ঙমহৌদবদগী মশাগী চহী ৩৩ খক্তা ঙাইরিঙৈ জুলাই ৭, ২০২৫দা লৈখিদ্রবা ইচাগী লায়েংবগী শেল পীবিদে হায়দুনা লৈঙাক্তা ৱারৌবা নত্তে। অদুবু থোরক্লিবা লান অসিনা মরাল করিসু লৈজদ্রবা ঐখোয়বু অৱাবা তাহনবীরে হায়বনি। লান অসিনা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেল্লকপদগী ইশাগী য়ূমদা নীংথিজনা লৈবা ফংদ্রে। য়ূমদা লৈরিঙৈদদি মোরেদা ফার্মাসিগী দুকান হাংদুনা লৈজরম্বনি। অদুবু লাঞ্জেল্লক্লবনিনা শেল-থুম তানবগী লম্বী পূম্নমক থদৎপীরে। অদুগা অসুক ৱানা লৈরিবা তাঞ্জা অসিদসু অমুক অশি-অনা



য়াওরকপা অসিদি থম্মোয়সি পুবা ঙমদ্রে।

ঐহাক হৌজিক লু কোকপদা লেন তাবা হায়বদু চপ চানা থোক্লে। মরম অসিনা লৈঙাক্না ঐগীদমক মতেং তৌবীগে হায়রবসু ইচানুপা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা মতেং ওইয়ু হায়দুনা শেল পীরকপগী মহুত্তা মহাক্না হিংলিঙৈদা লায়েংনবা ওইনা পীবিরম্লবদি থম্মোয় অসি পেল্লমগনি হায়রি।

ৱাফম অসি মোরে ৱার্দ নম্বর ৭তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক ফাওবা লাঙ্গোলগী নেশনল গেম ভিলেজগী অলটর্নেটিভ হাউজিং কমপ্লেক্সতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৮০ শুরবী নিংথৌজম ওংবী গোমতিনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অসি লৈঙাক্না নোংমগী চাগদবা চেঙগা লুপা ৬৭/৬৭কা নুমিৎ ১৫/১৫গী ওইনা পূনশিল্লগা অমুক-অমুক ঐখোয়দা পীরক্লি। (মথং-মথং)

## ‘মর্জর এগ্রীমেন্ট’ নুমিৎকী বন্দনা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা পীখি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :** অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মতম অদুগী মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা কৌরগা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা মর্জ তৌরে হায়বগী ‘মর্জর এগ্রীমেন্ট’ নমদুনা খূৎয়েক পীহনখি হায়রদুনা থৌদোক অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা নেশনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট, মণিপুর (এন আর এফ এম) না ঙসি পুং ২৪ চূপ্পা ষ্টেট অসিদা কৌখিবা বন্দনা মরম ওইরদুনা মহৌশাগী পূন্সিদা থোইদোক্না অকায়বা পীখি।



বন্দ অসিনা মরম ওইরদুনা খ্বাইরম্বদগী কৈথেল মরি অমসুং অকোয়বদা লৈবা দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে। ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট পেসেঞ্জর সর্ভিসশিং মশীং হন্থখি, নেশনল হায়ৱেশিংদা মহৌশাগুম্না গাড়ীশিং চেনবগী মশীং হন্থখি, ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা ওইল পম্পশিং থোঙ লোনবা য়াওরবসু খরা লাপথোকখিবা মফমদা লৈবা ওইল পম্প ...মখা লমায় ৩ কলম ৭


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫